HUEIYEN LANPAO

# ৱাখলনা অমা ‘বিধি’না অমা

## মসিবু পূন্সি হায়দুরা

হৌজিক লৈরিবা মণিপুর লৈঙাক হায়বদি ফেব্রুৱারী ৪,২০২৬তা ৱাশক লৌরগা মার্চ ৪, ২০২৬তা পোর্টফোলিও য়েন্থোকপদা ঙাইরিবা লৈঙাক- পোপ্যুলর গভর্ণমেন্ট/মিনিষ্ট্রিদা করিমত্তা শাওনীংদে অমসুং ৱারৌদে। মশাদা অরুবা লাইথুং পল্লক্তুনা অনা ফমুংদা হেদো নাহে চন্দুনা কুম লায়না নারবা মীওইদৌনা য়াওন-য়াতাবা ফাওবা ঙম্লক্তনা লৈরকপদবু কনাদা মরাল শীরুদোইনো? চহী ৫০মুক্কী মমাঙদা ‘দুর্গা পুজা’ দা শীজিন্নখিবা বন্থুলাশিংগী মনুংদা ‘জয় জৱান’ হায়না মিংথোনবা’মা য়াওখি। মৈনা চুরগা পোকখাইহনবদা মখোল ওন্থোক্লা হৌখি। অদুবু হৌজিক্তি মদুগী মমিংদু থোনবা বন্থুলাদু শাদ্রবরা, শারবসু মণিপুরদা পুশিল্লক্তুবরা নৎত্রগা ‘দুর্গা পুজা’ হায়বসিদা লুপশিন্দুনা হোৎচিন্নরম্বদগী ‘ইমা পান্থোইবী ঈরাৎ-থৌনি’ কাইনা নাকপাক অমা তারক্তুনা তৌনরকপদগী ওইগদ্রা হৌজিক্কী বন্থুলাশিংদি লোইনমক মখোল হৌনা অমসুং শাফু কন্না পোকখায়রক্লগদবনি হায়দুনা নাকোং অনী মেনশিল্লগা মিৎকা চেজেৎ ওইশিল্লগা শুগৎতুনা লৈরুরগা ‘বাং’ লাওনা পোকখাইরকপগী মহুত্তা মৈনা চুরুবদা ‘শুরু-শুরু’ হায়দুনা হৌরক্লগা ‘থুৎ’ লাওনা লোইশিনবা ঙাক্তা ঙাইরক্লে। মৈখেৎতসু অদু মঙাই, মতমদুদদি উগী মৈখেৎ ‘ষণগাড়ী’ য়েকপদু ওন্থোক্লা ফখ্রে। হৌজিক্লা নুমিৎলৈ (সনফ্লৱর) য়েকপা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মমিংশিং থোনবা চেগী মৈখেৎশিং শাদুনা পুথোক্লরক্লে অদুবু ষণগাড়ীদি য়ৌবা শুকঙম ঙমদ্রে। মীওইবা হায়বা ফ্রুকপসিনা তৌরক্লিবসি মখোয়গী পূন্সিদা কান্নগদবা অমসুং ওইজ-ওইথক ফংগদবা পোৎলম পূন্নমক থিজিন হুমজিন্দুনা পুথোকপা, দিস্কোভরিদা ফংবা ঙমদ্রগনা নৌনা শারগা পুথোকপনি। পুথোক্লিবশিংদুসু মতমগী মতুংইন্না অপগ্রেদ তৌবনি। শেমদোক-শাদোক্তুনা মতমগা চুনহন্নবা হোৎননরকপগী থবক-থৌরমশিংদা লৈবাক অমদা চৎনবা কন্সটিটুশন, এক্ত অমসুং রুলশিং ফাওবা শেমদোক-শাদোকপা হায়বদি এমেন্দমেন্ট ফাওবা তৌনরক্লিবনি। থৌওংসি মালেমগী লৈবাক পূন্নমক্কী ওইবা চৎনবী-মচৎনি। লৈবাকসিগী ওইনা জন্যুৱারী ২৬,১৯৫০দগী চৎনরক্লিবা কন্সটিটুশনগী প্রোভিজনশিংদসু কয়ারক হন্না শেমদোক-শাদোরকখ্রে।

লৈবাকসিগী চৎন-পথাপ, কন্সটিটুশন ফাওবদা অহোংবা-অওনবশিং লৈহল্লক্লিবসি তঙাইফদনা মথৌ তারে হায়বদগী থৌওইনা লৈহল্লক্লিবনি। তৌসনু। থৌওংসি লন্নাই মীওই অমখক্কী নত্তে। লৈবাকসিগী মীওই পূন্নমক্কীনি। অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি লৈবাকসিগী য়ামখ্রবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী ৱাফম নত্তে। অৱাং-নোংপোক চিদাই খম-থেংনা লৈরিবা চীংলৈবাক মণিপুরগীনি। কন্সটিটুশনবু মথৌ তারকপা মতমগী মতুংইন্না শেমদোক-শাদোকপা শুকনৎ নত্তনা চৎনরোলসিগী মচৎশিং ময়েক ইশেং-শেংহন্দবা, লৈরি অমদি চৎনহল্লি হায়রগসু মশেন-মরাংহনবা, চৎহল্লবসু খোঙলৌ-পলহৌহনবা, লেংঙম-শাঙমহন্দবা, ইশম-শম্বদা হঙোই য়োৎলুরবা লিননা চৎপদৌনা তৌরক্লিবসিদি কনানা তেকচাক পুগদবনো হায়বনিদা!! য়াম্না শন্দোক্লা অমসুং কোইথোক্লা হায়রুদ্রবসু লৈবাকসি ষ্টেট ২৮ অমদি য়ুনিয়ন টেরিটরি ৮না পুনশিল্লগা শেম্বনি, ওইহল্লিবনি। মরম অসিনা লৈবাকসিগী শরুকশিং ওইরিবা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংনা মশা-মশানা মরোমদোম পাঙথোকচগদবা থবক-থৌরমশিং লৈ। য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগীদমক পাঙথোক্কদবা থবক-থৌরমশিং লৈ। খজিক-খরাক্তা নত্তে। ওন্থোক্লা য়াম্না কোকথোং অমা লৈ। অদুবু লৈরক্লিবা ময়ামসিগী মনুংদা ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটরি নৎত্রগা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী থৌগাইশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা তোৎশিন-য়ানশিন্নদুনা ইতৈ-তৈশিন্ননা লৈবসু নত্তে। য়াম্না ময়েক-শেংনা মসিনা ঙানি, মসিনা ঈশিংনি হায়দুনা তোঙান-তোঙান্না ময়েক শেংনা লৈরক্লিবনি। মণিপুরদনা লাপখ্রবা দেল্লীদগী অশাংবা অমসুং অকনবা লংশিং তিংলক্লগা মসিগী লংদোন্দা মীয়ামগী মীহুৎসু, ষ্টেকহোল্ডরশিংসু, ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংসু চেৎনা পুনশিল্লগা থাদোরকপদৌনা তৌরক্লে। অসুম্মাইনা তৌরকপদগী মণিপুরনা লৈবাকসিগী ফিবান্নুংদা ওক্টোবর ১৫,১৯৪৯দগী তিল্লকপদগী হান্না উরমদবা জাৎ-জাৎকী ‘উপদ্রোপ’ কুম্বা অনৌবা কয়া হকথেং-মায়থেংনরক্লে হায়বনি। মণিপুরগী মীয়াম্না, মখোয়গী মমিৎশিংনা শং-শং উরক্লিবসিবুদি কুইরে। মে ৩,২০২৩গী মমাঙদগীসু থেংনবা হৌরকখ্রবনি। অদুবু কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দগী মতমদুদা দেল্লীদা য়ুনিয়ন লৈঙাক পায়খিবা পার্টিদুনা লুচিংবা লৈঙাক মণিপুরদসু লৈরকখিবদগীদি খঙহৌদনা হারকপা য়ুহাদৌনা খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ থোক-থোক চিংলগা মথক-মখা থোক ওন্থোকপদৌনা তৌরকখি হায়বনি। ৱাফমসি হেঞ্জিনবা ওইরোই। মার্চ ১৫,২০১৭তগী লৈরক্লিবা মীওইশিংগী মরক্তা মে ৩,২০২৩দগী থোরক্লিবা লানসিদা লৈখিদবা খরা য়াওরবসু, লন্নাই ওইনা পূন্সি মাঙখিবা খরসু য়াওরবা ফাওবদা হিংলিবা পূন্নমক্নদি শিৎ-নান্না উরক্লিবা ঙাক্তনি। ৱাফমসিদা ৱায়েৎনচিংবা মায়োক্লরক্লবসু মীয়ামগী ৱায়েলনা অরোইবা ওইগদৌরিবনি। মতাংসিদদি নীংদোল পোমনীংঙাই লৈতে। অদুবু লান হৌরকপা, কনশিল্লকপা, অফং-অফংবা হাত্তোক্লন্দুনা বোম-বোম তুনহনবা মতমদনা মতমদুগী ষ্টেট লৈঙাক্তুগী মখোঙ-মখূৎশিং ক্রক-ক্রক লাকশিন-পুনশিন্দুনা থমখিবা, নোংমৈ-বোমগী মখোল খরা পাথরক্লবা মতমদনা মেজোরিটিদা গে-গে লাওনা নেৎতুনা পানখিবা লৈঙাক্তু মশানা কোম তৌহল্লগা চোংথজহনখিবা, মহুৎ শিঞ্জিনখিবা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্লসু লানসিগী ৱারোইশিন পুরকহনখিদবা, লৈঙাক মখলদু শাংদোকহনবদা ৱায়াম্নরক্লনি হায়দুনা লিংহল্লক্লিবা লৈঙাকসিসু মপূং ফাহন্দ্রি। অসিগুম্বা থৌওংশিংসিবু মণিপুর নত্তবা অতোপ্পা ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংদা চখ্থরমগদ্রা হায়বনি। পি আর লৌথোক্লগা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুং-ইন্ননি হায়দুনগা লিংলক্লিবা লৈঙাকসিদি মনা লৈগে তৌরুবদা মনা পাল্লমদ্রে হায়বা ‘পিনোকিয়ো’ হায়বদুগা পাঙ্খক্লরে হায়বনি। ফীভমসিদবু মণিপুরগী মীয়াম, মরু ওইনা লান্নংলক্লিবা মীতৈ/মৈতৈনা ‘ৱাখলনা অমা বিধিনা অমা, মসিবু পূন্সি হায়দুরা’ হায়দুনা নুংশিরবা শৈহেক্তা ‘তাল’ থারগা শকথদুনা লৈখিগদ্রা হংবনি। লুহোংলগদবা ‘কৈন্য’না পোৎলোই শেৎপদা য়েক্তুম্না উনশা য়াওনা ফোৎচিল্লকপদা ‘হৌনবী ওইরমান্নে’না তূমিন্না শুগৎলগা খাঙলিবা মীয়ামগী মীহুৎ নখোয়গী নথৌনা-নরিংজেল ফাওবদি য়াইকো, য়াম্না থীনা য়াই!!

## মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’ (নিংথৌরোল লম্বুবা)-(৭২৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু নুমিৎ খুদিংগী ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

লাকচাথীনা লালঙমলে। শেলবী ময়ুম কায়। কবো তমপাক কায়। নমশি খোংনম মচীঙশাং লম। মুৱাও চাপু খুনদা পুঙ। শেলবী লমদম লাংচীঙতোং। মুংপেং খুনজা য়ুমলিং খুললিংনা তাবা লম। নমশি লোইচেৎ মঙামককা। মানলক খুংগঙ তরেৎমককা। মুৱাও খুল লৈকাই মঙামককা। সেলবী খুংগঙ তরাতরেৎমকপু। শেলবী মরোকনা। কবো খূৎশু থাঙয়াননা। হুয়েল লালদাবদি হুয়েল লালথেং লালদৱঙেদা। নমসি খুললেল লৈবাককী লাসেং খুমকুম লালথৌ অয়াংবগা। ●

## ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ' (ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕꯥ) -(꯷꯲꯴)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕꯥ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇꯥ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯝꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅꯥ ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ॥)

ꯂꯥꯛꯆꯥꯊꯤꯅꯥ ꯂꯥꯜꯉꯝꯂꯦ॥ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯃꯌꯨꯝ ꯀꯥꯏ॥ ꯀꯕꯣ ꯇꯝꯄꯥꯛ ꯀꯥꯏ॥ ꯅꯃꯁꯤ ꯈꯣꯡꯅꯝ ꯃꯆꯤꯡꯁꯥꯡ ꯂꯝ॥ ꯃꯨꯋꯥꯑꯣ ꯆꯥꯄꯨ ꯈꯨꯟꯗ ꯄꯨꯡ॥ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯂꯝꯗꯝ ꯂꯥꯡꯆꯤꯡꯇꯣꯡ॥ ꯃꯨꯡꯄꯦꯡ ꯈꯨꯟꯖꯥ ꯌꯨꯃꯂꯤꯡ ꯈꯨꯂꯂꯤꯡꯅꯥ ꯇꯥꯕꯥ ꯂꯝ॥ ꯅꯃꯁꯤ ꯂꯣꯏꯆꯦꯠ ꯃꯉꯥꯃꯀꯀꯥ॥ ꯃꯥꯅꯂꯛ ꯈꯨꯡꯒꯉ ꯇꯔꯦꯠꯃꯀꯀꯥ॥ ꯃꯨꯋꯥꯑꯣ ꯈꯨꯜ ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯃꯉꯥꯃꯀꯀꯥ॥ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯈꯨꯡꯒꯉ ꯇꯔꯥꯇꯔꯦꯠꯃꯀꯄꯨ॥ ꯁꯦꯂꯕꯤ ꯃꯔꯣꯀꯅꯥ॥ ꯀꯕꯣ ꯈꯨꯠꯁꯨ ꯊꯥꯡꯌꯥꯅꯅꯥ॥ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯗꯥꯕꯗꯤ ꯍꯨꯌꯦꯜ ꯂꯥꯜꯊꯦꯡ ꯂꯥꯜꯗꯋꯉꯦꯗꯥ॥ ꯅꯃꯁꯤ ꯈꯨꯂꯂꯦꯜ ꯂꯩꯕꯥꯛꯀꯤ ꯂꯥꯁꯦꯡ ꯈꯨꯝꯀꯨꯝ ꯂꯥꯜꯊꯧ ꯑꯌꯥꯡꯕꯒꯥ॥ ●

# লৌমীশিংগী কাখল

## ককর্বিটকী কোকফাই লায়না ‘ডাওনি মিলডিয়ু’

– ডা. এম থোইথোই সিংহ –

থবী, খোঙদ্রুম, মাইরেন, শেবোৎ, ইরুহৈ (তর্ব্বুজ) নচিংবা কাঙলুপ (ককর্বিট) কী মনুং চনবা পাম্বীশিংদা কোকফাইনা থোকহনবা মরু ওইবা লায়নাশিংগী মনুংদা Downy Mildews, Powdery mildews, এন্থ্রাক্নোজ, Alternaria leaf spot, ফুজেরিয়ম ৱীল্ট, বেল্লী রোট, ব্লেক রোট, স্কেবনচিংবা কোকফাই লায়না কয়ানা পাম্বীশিংবু চহী খুদিংগী মাঙহল্লি। মখোয় অসিগী মনুংদা Downy mildew অমসুং পাউদরি মিলডিয়ুবু অমুক্কা হেন্না মরু ওইনা লৌনৈ।



ডাওনি মিলডিয়ু

ডাউনি মিলদিয়ু হায়না খঙনরিবা *Pseudopernospora cubensis* হায়না খঙনবা কোকফাই অসিনা মাঙহল্লিবা ককর্বিট কাঙবুগী মনুংদসু থবী, ইরুহৈ, চিনার, কারোটঅখাবীনচিংবদা লায়না অসিনা অমুক্কা হেন্না মাঙহনবা ঙম্মী। লায়না অসিনা থবীবুদি চাদা ১০০ হায়বদি মহৈ অমত্তা লোকহন্দনা মাঙহনবা ঙম্মী। লায়না অসিনা তেল্লবা মতম হায়বদি নুমিৎ ৩-৭ ফাওবগী মনুংদা লাকশিনবা ঙম্মী। য়াম্না চেকশিন্নীংঙাইনি।

**লায়নাগী লায়ওং : (১) মনাদা উবা অহানবা দাগ :** অহানবদা অপীকপা, শংবান্নবা নৎত্রগা নাপু চংলপ তৌবা দাগশিং অরিবা মনাশিংদা খরা খরা উবা হৌরকই। **(২) দাগশিং চাওথোরকপা :** দাগশিংনা চাওথোরকপগা লোয়ননা মনাদুদা অপীকপা মশিংশিংনা পীক্লপ-পীক্লপ খাজিল্লিবা শরুকশিংদু ফাওবা থুংনা চাওথোরকই। য়েংবদা দাগশিংদু স্কৱার নৎত্রগা ত্রাইঙ্গুলর ওইনা উগনি। নাপু মচু চংবা মশীংনা য়ামগনি। **(৩) মনা মখাদা উৎপা লায়ওং :** ঈশিং ঈনিল ৱাংবা নৎত্রগা লীক্লা তাবা নৎত্রগা মরক মরক্তা নোং তাবা মতমদদি লায়না অসি মপাঙ্গল কল্লি; শন্দোকপসু থুই। লায়না অসিগী লায়ওং উৎলবা মনাশিংদু হাইগৎতুনা মখা মায়কৈদু য়েংবদা, মনা মথক্তা উরিবা দাগশিংগী মপা খুদিংমক্তা মুরপ তৌবা কোকফাইশিং কাবা উগনি। **(৪) দাগশিং কংশিল্লকপা :** নাপু চংলবা দাগশিংদু মচু ওল্লকপগা লোয়ননা কংশিল্লক্কনি। মনাদুমক কংগনি। মনাদু খূৎনা পায়বদা ক্রেম-ক্রেম লাওগনি। **(৫) য়াম্না থুনা শন্দোরক্কনি :** লায়নাসি ঈশিং ঈনিল ৱাংবা, অঙৈং অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ১৫-২৩ ফাওবা লৈবা মতমদা লায়না অসি পাম্বীগী মফম খুদিং শন্দোরকই। পাম্বীশিং পীকশিন্না, শুংজিন্না, চাউবা ঙমদনা লৈ। পাম্বীদুমক পুমকং কংহনবা ঙম্মী।

**লায়না অসিনা হৈনজবা ঈশিং নুংশিৎ অমসুং মফম :** ১) ঈশিং ঈনিল ৱাংবা অমসুং মনাদা ঈশিং ঈরিকশিং কুইনা পক্তুনা লৈবা মতমদা লায়না অসি য়াম্না থুনা শন্দোকপা ঙম্মী। রিলেটিভ হ্যুমিদিটি ৮৫-৯০ ফাওবা লৈবা মতমদা; মনাদা ঈশিং ঈরিকশিং পুং ৬তগী ১২ ফাওবা লৈরবদি কোকফাই মরূশিং ইরায় লায়না হৌবা ঙম্মী, লায়না থুনা শন্দোকই। (২) অঙৈং-অশাগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ১৫-২৩ ফাওবা লৈবা মতমদা কোকফাই অসি মপাঙ্গল কল্লি। লায়না হেন্না শন্দোকপা ঙম্মী। কোকফাই অসিনা মথৌ পাঙথোকপবুদি দিগ্রী সেলসিয়স ৫-৩২ ফাওবা ঙম্মী। (৩) লৈচিল নোংফাই থাংবা মতমদদি কোকফাই অসিগী মরূশিং (লায়না শন্দোকপা ওম্বা) নুংশিত্তা য়াওদুনা কুইনা হিংবা ঙম্মী। অদুমকপু অকনবা নুংশা মঙাল অমসুং মৈশানদি কোকফাই মরূ অসিবু নুংশিত্তা কুইনা হিংবা ঙমহন্দে। (৪) পাম্বীশিং কুংনা থাবা মফমশিংদা পাম্বী মরক্তা নুংশিৎ ফাওদোক ফাওজিন তৌবা ঙমদে। চোৎখ্রবা মনাশিংদু অতেনবা মতম খরগী মনুংদা কংবা ঙমদে। মনাদা তারিবা কোকফাই মরূশিং হৌবদা খুদোংচাহল্লি। (৫) লায়না অসি হেন্না তাগনবা পাম্বীশিং- থবী, ইরুহৈ, চিনারনচিংবা পাম্বীশিং অসি লায়না অসিনা হেন্না তাগল্লি। (৬) ঈশিং পীবদা Sprinkler অমসুং রেন পাইপ শীজিন্নদুনা মতম শাংথনা মনাশিং চোৎহন্দুনা থম্বা হায়বসিসু লায়না শন্দোকপদা মতেং পাংই। ঈশিং কাপ্পগী মতম পুং ১-১.৩০দগী হেলহল্লোই।

**লায়না লাকশিন্নবা পান্বৈশিং :** (১) লায়না অসি লাকশিন্নবা *Trichoderma harzianum* নৎত্রগা *Trichoderma asperellum* শীজিন্নগনি। মখোয়না Chitinase অমসুং glucanase পুথোক্তুনা লায়না অসিবু লাকশিল্লি। মসিগীদমক Hariz গ্রাম ৬০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা নুংথিলগী মতমদা মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। (২) *Bacillus subtillis* নৎত্রগা *B. pumilus* না এন্টিমাইক্রোবিএল সবটেন্সশিং পুথোকহন্দুনা লায়না অসি নমথহনবা ঙম্মী। মসিগীদমক সবৱেল মিলিলিটর ৭০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়ানশিল্লগা নুংথিলগী মতমদা পাম্বী মনাশিং চোৎনবা কাপথোক্কনি। (৩) নিম ওইনা নৎত্রগা Thyme Oil মিলিলিটর ৬০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা কাপথোক্লগসু মনা মথক্তা তারিবা কোকফাই মরূশিং থুগায়বসু ঙম্মী। (৪) লায়না অসিগীদমক শীজিন্নবা য়াবা কেমিকেল খরদি Cymoxanil, Mancozeb, Chlorothalonil, Azoxytrobin নচিংবা মমিং পনবা য়াই।

ঙসি ঙসিমক্কী লৈরিবা নোং-চিং, ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম অসিদা ককর্বিট থারিবা (মরু ওইনা থবী থাবীরিবা) মফমশিংদা লায়না অসি য়াম্না থুনা শন্দোরক্কনি, চেকশিনমিন্নসি। ●

## ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং



– ডা. এস সুমঙ্গল –

ফার্ম অমদা পোৎশক অমখক্তমক পায়খৎপা হায়বদি লৌখক্তং উবা, শা-ষণদমক লোয়বা নৎত্রগা ঙাখক্তং য়োকপা তারবদি ফার্মদুগী থবক্তু পায়খৎপদা চঙবা অমদি পুথোরক্লিবা মচাকশিং অদু অরেপ্পা অমতমক/খরখক্তমক ওইদুনা লৈরনি। অমরোমদা মথক্তা থমজরিবশিং অসি হৈনা শিংনা পূন্না পায়খৎমিন্নবা তারগদি অকক্লবা থৌরমশিং/পোৎচঙশিং/পোথোকশিং ওইররোই, অহুম্মকসিদা অমনা অমগী মতেং পাঙনদুনা শেঞ্জংদা, পোথোক্তা অমদি শেন্দোংদা কান্নবা হেন্না ফংবা ঙমগনি। হায়রিবা মচাকশিং অসি পূনশিনমিন্নদুনা হেন্না কান্নবা ফংননবা চৎন-কাঙলোনশিং অদু পায়খৎপা অদুবুনি ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং (পূনশিন লৌউ) হায়নরিবদু। থৌওংশিং অমসুং কান্নবশিং অদুদি অসুম্না থম্বা য়াই।

(১) মখল মথেলগী/মখল মখা কয়াগী পুনমিন্নবা য়াবা থবকশিং মতম অমত্তদা/চহী অমগী ওইনা/মতম চূপ্পগী ওইনা পূন্না পায়খৎমিন্নবা। (২) মহৌশাগী ওইবা অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পীদবা। (৩) য়ারিবমখৈ ফার্মগী মপান্দগী/অতোপ্পদগী পোৎচঙশিং শীজিন্নদবা। (৪) মহৌশাগা চৎমিন্নবা য়াবা থৌরমশিং পায়খৎপা। (৫) তুং কোয়বা শেন্দান লন্বী ওইবা য়াবা মওংদা চঙশিনবা অসিনচিংবা অসিনি।

**পূনশিন লৌউগী কান্নবা :** (১) পোথোক হেনগৎতুনা শেন্দোং হেন্না ফংবা। (২) অমগী অরেম অপানা অতোপ্পগী পোৎচঙ ওইবনা শেঞ্জং হন্থবা। (৩) থৌরম অমা শোয়রবসু অমনা মেনখৎপা। (৪) ইমুং অমগী পোৎচঙশিং অয়াম্বা ইশাদগী ফংবা। (৫) হকচাং ফনা লৈনবা মচাকশিং চাং চানা ফংবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

মণিপুরগী অঙনফৌ থাবগী চাং য়াম্না হন্থরক্লিবা তাঞ্জা অমা লৈরিঙৈ, লোয়ননা লোক্তাক হাইদেল পাৱর প্রোজেক্টনা মরম ওইদুনা অফবা লৌফম কয়া অমসু ঈশিং থুমজিনবদগী ঙাগী ফার্ম ওন্থোক্লখ্রবা তাঞ্জা অসিদা ঙাগী ফার্ম মনুংদা অমদি অকোয়বা পল্লি মথক্তা থবক থৌরম কয়া পায়খৎতুনা লৌসু উবা, ঙাসু য়োকপা, এঞ্জাং-নাপি থাবা, উহৈ-ৱাহৈ থাবা, শা-ষণ লোয়বনচিংবা থবক থৌরম কয়া পূন্না পায়খৎলবদি মপূং ফাবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং হায়বদু ওইহন্দুনা ইমুংগী শেন্মীৎলোন হেন্না ফগৎহনবা ঙমগনি হায়না থমজনিংই। অসিগুম্বা হোৎনবা লৌমী ইচিল-ইনাও কয়া অমা লৈতবদি নত্তে। মীয়ামগী মিৎ-মায় ওইনবা খরা থমজবনি।

ফৌ থাবা, ঙা য়োকপা, মরূগী হঙ্গাম হুনবা, এঞ্জাং-নাপি থাবা, উহৈ থাবা, লোয়ননা ষণ লোয়বা পূন্না ফার্মগী মনুং অমসুং অকোয়বা পল্লিদা মফম চানা চানা হায়রিবা থবকশিং অসি পায়খৎপা য়াবা ঙাক্তনি।

পল্লিগী মথক্তা উহৈ অমদি মতম-মতমগী এঞ্জাং-নাপি থাবা য়াই। ফার্ম মনুংদা ঙা, ফৌ অমদি হঙ্গাম অওন পোথা ওইনা মায় পাক্লা অদুমক পায়খৎপসু কান্নবা অদুমক থেংনৈ।

ফার্ম অদু শঙম, লৌখাই অমদি লৌশেল চাউবা পুখ্রিশিং খাইদোকপীবা ফৈ। পুখ্রি মচাদা স্পোন্দগী হৌনা ঙা য়োকপা হৌদুনা ঙা চারা য়োনবগা লোয়ননা ইশাগী অতৈ ঙায়োক পূখ্রিদা থাদনবা ঙা চারা শেল তিংনা লৈদ্রবসু য়াগনি। অসুম্না য়োকপা ঙা অদু ফাদুনা য়োনখ্রবা মতুংদা মতম তেনবা হঙ্গাম লৌফম খোইদনা (জিরো টিলেজ) থাবা য়াই। হঙ্গাম লোক্লবা মতুংদা অঙনফৌ থাবসু অদুমক য়াই। অমুকসু জুন-জুলাইদা ফৌ লোক্লবা মতুংদা শেমগৎলবা ঙা চারাশিং অদু ঙায়োক পূখ্রিশিং অদুদা য়োকপা য়ারে। করিগুম্বা চহীদা ঙা হেক মতম চানা ফাদোকপগা খোইদনা হঙ্গাম হুনবগী মহুত্তা খোইদনা অঙনফৌ এস আর আই মেথদতা থাবসু য়ারে। অসুম্না মতম চানা অমদি মফম চানা শিন্দোক্তুনা ফার্ম মনুং অমদি অকোয়বা পল্লিশিং হাঙহন্দনা থবকশিং অসি পায়খৎপা য়াই।

চাওরাকপা কেলেন্দর অদুদি অসুম্না থম্বা য়াই।

**ফৌ :** মার্চ থাগী অহানবা চয়োলদা চানবা/পল্লবা মখলগী অঙনবা ফৌ আর সী মনিফৌ-১২, পি এ সী - ৮০৭ নৎত্রগা মঙালফৌ তোঙান তোঙান্না এস আর আই/মোদিফাইদ এস আর আই ইন্টিগ্রেটেদ ক্রোপ মেনেজমেন্ট (আই সী এম) মেথদতা থাবা অসি পায়খৎপা য়াই। ঙা য়োকফম ওইবনা হার হাপত্রবসু অদুমক ফৌ য়াম্না ফগনি। লৌহোনদি নুমিৎ ১৭-২০নি শুবা লৌহোন্না লিংবীবা ফৈ।

**ঙা :** তাঙ্কক নাইনা স্পোন্দগী হৌদুনা কম্পোজিৎ ওইবা মওংদা রৌ, ম্রিগল, সিলভর কার্প, গ্রাস কার্প য়োকখৎতুনা হৌরগা ফৌ লোক্লবা মতুং জুন-জুলাইদা নোং লাক্লবা মতমদা শেমগৎলিবা ঙাশিংদগী চাং মান্নবা মশা ফবা ঙা খনগৎতুনা য়োকখৎপীবা য়ারে। অহেনবা ঙা চারাশিং অদুনা য়োম্থোক্তুনা অহেনবা শেল ফংবা য়াই। মসিনা ঙা চারা লৈবগী শেল তিংদ্রবসু য়ারে।

গ্রাস কার্প - ৫০০
সিলভর কার্প - ১০০০
রৌ অমসুং ম্রিগল - ৫০০০
কমন কার্প - ৩০০০

নবেম্বর থাদা ঈশিং শিৎতোক্তুনা ঙা ফাদোক্লবা মতুংদা লৈমাই অদু পেৎলি-পেৎলি লৈরিঙৈ মতমদা জিরো টিলেজ হায়বদি শুকখোই খোইদনা হঙ্গাম মখল এম-২৭ অমসুং রাগিনি হায়রিবা মখলশিং অসি হুনবা য়াই। অসুম্না হুনবা মখলশিং অসি মে থাদা লোকপা ঙম্মী।

**শঙ্গোম থোকপী ষণ :** ষণ য়াম্না লোয়দ্রবসু মখোম থোকপী ষণবী অমা-অনী লোয়দুনা মসিদগী কান্নবদি য়াম্না ফংবা ঙমগনি হায়বা তাই।

**উহৈ অমদি অতৈ পাম্বীশিং :** মফম চানা-চানা থাবা হায়বদি ফার্ম মনুংদা উরুম লাংশিন্দনবা মওংদা মায়কৈ য়েংনা থাবা য়াবা উহৈ অমদি অতৈ পাম্বীশিংদি কফোই, হৈনৌ, লফু, অৱাথবী, য়োংচাক অমদি অতৈ মতমগা চানবা হকচাংদা কান্নবা দ্রমষ্টিক, এস্পারাগসনচিংবা পাম্বীশিং মরু ওইবা ঙাক্তনি।

**মনা-মশিং :** ফার্মগী পল্লি মথক্তা মতম-মতমগী মখল-মখাগী এঞ্জাং-নাপি খুদম ওইনা কোবি, হঙ্গাম, মোরোক, উ মোরোক, তীল্হৌ অমদি অতৈ মরোই-মপাং, হৱাই মখল কয়া অমা অদুমক থাদুনা ইমুংগী ৱাত্তনবা হোৎনবগা লোয়ননা কৈথেলদা য়োন্দুনা শেল ফংনবা হোৎনবা য়াই। মসিনা চাকখুমগী শেঞ্জংসু য়াম্না হন্থহনবা ঙমগনি।

মথক্তা থমজখিবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টমগী ওইবা থৌওংশিং অমদি কান্নবা খুদিংমক থমজরিবা থবক থৌরমশিং অসিদা ফংলিবা খুদিংমক অদু শল্লপ্না থমজগে।

(১) অসুম্না থারিবা পাম্বীশিং অদু মচীঞ্জাক ৱাত্তনবা ঙায়োক পূখ্রিগী লৈমায় অদু চহী ৩-৪ খুদিংগী কোথোক্তুনা পল্লিদা হাপ্পীবা ফৈ। মসিনা খূৎশেমগী হার হাপ্পা শোয়দনা হন্থহনগনি। ঙাগী মথী ময়ুংনা হার ওন্থোকপনি। (২) থারিবা ফৌগী অশংবা চরূনা ঙাগী মচীঞ্জাক ওইবগা লোয়ননা ষণগী মচীঞ্জাক ওইবা য়াই। ঙা অমদি ষণগী মচীঞ্জাক্তি শেঞ্জং হন্থহনবা ঙমগনি। (৩) থারিবা অতৈ পোৎলমশিংগী লেমহৌখাকশিংনা খুদম ওইনা লফোই পানখ্রবা লফুশিং, হৱাই, মোরোক, কোবিনচিংবগী লেমহৌখাকশিং পূন্নমকশিং অসিগা ষষ্টিগা লোয়ননা অফবা এফ ৱাই এম শেমদুনা থারিবা পাম্বীশিংগী হার ওইহনবা য়াই। (৪) পায়খৎলিবা থৌরমশিং অসিদা ফংলিবা পোৎলমশিং অসিনা পীরিবসি ইমুং অমা মশা মউ ফনা হিংবদা চঙবা বেলেন্স দাইট- শঙ্গোম, থাও, মনা-মশিং, ঙা, উহৈ, মরোই-মপাং খুদিংমক অদুনি হায়বা তাই।

অসুম্না ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং ওইনা পায়খৎলবদি ইমুংগী মীওইশিং মশা-মউ ফনা থম্বগা লোয়ননা ইমুংগী শেন্মীৎলোন্দা ফগৎহন্দুনা মহাও থোক্লা হিংবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ। লোয়ননা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিন্নবা লম্বী অমসু ওইগনি, অকোয়বগী ফীভমসু ফগৎকনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কীজ -১৩৪গী ৱাহং

১) “চহী অনীমুক্কী মমাঙদা, ইংরাজিদা ইবা কন্নড (Kanada) গী ৱারীমচাশিং মণিপুরীদা হন্দোকপগী মীটিং অমা ইম্ফাল কোলেজদা পাঙথোকখি।”
ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী ‘ৱাহৈ খরদং’ হায়বদুদা ত্রান্সলেটরনা ফোঙদোকপনি। ত্রান্সলেটর অসি কনানো? মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু।
২) “মাঙলবা লমদম” হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৩) “হনুবগী নিংঙাই” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
৪) “তখেলদা মণিপুরী” হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা অমগী লাইরিক্নি। লাইরিক অসি কনানা ইবগে?
৫) “মৈত্রবাক্তা ওংজবী” হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং ইয়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৩৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (১,২,৪,৫)
২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৪,৫)
৩) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (৪,৫)
৪) মাইস্নাম বুদ্ধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৪,৫)
***৫) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)***

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১৩৩গী ৱিন্নর*

***আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১৩৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কীজ -১৩৩গী পাউখুম

১) “চহী লিশীং কয়া চৎলক্লি ঐহাক পৃথিবীগী লম্বীদা
সিংহল সমুদ্রদগী অহিঙগী অমম্বদা মালয় সাগরদা
কোয়রুরে কয়া ঐহাক; বিম্বিসার অশোক্কী ৱাউথাংনরবা জগৎতা...।”
শৈরেং মতেক অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা শৈরেং ‘বনলতা সেন’ হায়বদুগী অহৌবা পরেংনি। হন্দোক্লবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং অমসুং ত্রান্সলেটর অসি কনানো?
**:- লাইরিক্কী মমিং - হল্লকখিগনি অমুক তোর্বানসিদা, ত্রান্সলেটর - এন কুঞ্জমোহন সিংহ, ওরিজিনেল রাইটর - জীবনানন্দ দাশ, অহানবা ফোঙবা : ২০০১।**
২) “নোংহৌ অমুক লাকপদা” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে? **:- অইবা - লাইরেনলাকপম সরত, লাইরিক্কী মখল - মেমোইর, ফর্ষ্টইমপ্রেশন : নবেম্বর, ২০২৫।**
৩) “মণিপুরগী পুৱারীদা নুপীগী মফম ৱাংনা লৈরকই। লাই হাক্তক্তসু অদুমঙায়।”
ৱাহৈ পরেং অসি মণিপুরগী মপান্দা লৈবা অইবা অমগী লাইরিক অমগী ৱাহৈ খরদংদা ফোঙদোকপা ৱাহৈনি। অইবগী মমিং করি কৌবগে? লাইরিক্কী মমিং ইয়ু। **:- অইবা - কুঞ্জলাল য়েন্দ্রেম্বম, লাইরিক্কী মমিং - মহারাজকুমারী বিনোদিনী এ গোল্ডন দিয়ার ওফ মণিপুর, অহানবা ফোঙবা : ২০২১।**
৪) “সোরোজা” হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? **:- অইবা - শ্যামকুমার লাইশ্রম, লাইরিক্কী মখল - নোভেলেট, অনীশুবা ফোঙবা : মে ১২,২০২৫।**
৫) “অমুবা ফিগী আনোক” হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? **:- অইবা - জে এস কোন্সম, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাগী লাইরিক, সেকেন্দ কম্প্যুটরাইজ এদিশন : এপ্রিল ২০১৮।**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।